# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-10-2024)**

**খুৎলায় (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চম্ফাই চিংদগী ঙরাং মেগজিন য়াওদবা এম.সিক্সতিন রাইফল অমা, মেগজিন য়াওদবা এস.এল.আর. অনি, মেগজিন য়াওদবা পোইন্ট টোইন্তি টু রাইফল অমা, মেগজিন য়াওদবা কন্ট্রিমেদ ষ্টেনগন অমা, মেগজিন মঙাগা লোয়ননা করবাইন অনি, কন্ট্রিমেদ নাইন এম.এম. পিষ্টোল ৮, মেগজিন ৩০, টু ইঞ্চ মোটার আই.এল.এল.য়ু. বোম ১২ ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী লাঙ্গোল চিং লুৱাংশংবমদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থারতি টু পিষ্টোল অনি, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, শেমদোক্লবা টু ইঞ্চ মোটার অনি, নোংমৈ মরু ৩২, টোকিং ৮০, টিয়ার গ্যাস সেল মঙা, রবর বুল্লেট সেল, স্মোগ হেন্দ গ্রেনেদ অমসুং রেদিও ৱয়ারসেটনচিংবা ফাগৎপা ঙমলে।

অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা সেনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা নোংমগী তঙাইফদনা চংবা গাড়ি ১৯০ অমসুং ২১৪ অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে।

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী মেন্টেল হেলথ ডে ২০২৪ লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি পাঙথোক্লি।

'ইট ইস টাইম টু প্রয়াইটাইজ মেন্টেল হেলথ ইন দা ৱাক প্লেস' হায়বা হীরমদা কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসি ইম্ফালদসু নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস

মনিপুরনা শিনদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোক্কনি।

থৌরমসিদা রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন সিংহ্ শরুক য়াগনি। থৌরমগা মরী লৈননা লাই য়েকপা চাংদমবগী মনাসু খুৎশিন্নগনি।

নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, মালেম শিনবা থুংবদা মেন্টেল হেলথ কেয়ারবু পুকিং থৌগৎপা অমসুং ৱাখলগী লায়নাশিংগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না ভাব তাহন্নবনি। কুমশি চহিগী হীরম অসিগী মতুং ইন্না থবক শুফমশিংদা ৱাখল নুংঙাইনা থবক শুনবা অমদি মসিদগী থোরক্কদবশিংদগী ঙাকথোকপা হায়বসিদা হেন্না মীৎয়েং চংলি। নেসনেল মেন্টেল হেলথ সর্ভে ২০১৫-১৬ কী মতুং ইন্না ভারত্তা মীওই চাদা ১০.৬ ৱাখলগী চোইবগী লায়না নারি।

**নোং (এল) ঃ** মনিপুরগী মফম খরদা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি।

তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। রাজ্য অসিগী অতৈ জিলাশিংদসু ময়াই ওইরপ নোং চুগনি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী পাউ মতুং ইন্না লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অরুনাচল প্রদেস, অসাম, মেঘালয়া, কোনকান, গৱা অমসুং মহারাস্ত্রাগী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি। মসিদা নত্তনা লাক্লিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা খা ভারতকী মফম কয়াদসু নোং চুগনি।

**চেংঃ** প্রধান মন্ত্রি গলিফ কল্যান অন্ন য়োজনা স্কিমগী মখাদা লেমা ফোরটিফাইদ রাইস ইং ২০২৮ গী দিসেম্বর ফাওবা মখা তানা সপ্লাই তৌবদা কেন্দ্রনা অয়াবা পীখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-থৌরাং অসিনা ঈ ৱাৎপগী লায়না অমসুং মাইক্রো ন্যুত্রিয়ন দিফিসেন্সি হন্থহল্লগনি। মসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ১৭ লাখ ৮২ খরচ তৌগনি।

নেসনেল ফেমিলি হেলথ সর্ভেনা ২০১৯ অমসুং ২০২১ দা চখুখিবা সর্ভেগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা ঈ ৱাৎপগী লায়নানা খ্বাইদগী মরুওইবা হীরম অমা ওইরি। মসিগী মথক্তা আইরন, ভিটামিন, মিনরেল অমসুং ফোলিত এসিট ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরি।

**রতন ঃ** শকাইরবা ইন্দসত্রেলিষ্ট-রতন টাটা ঙরাং মুম্বাইগী ব্রিজ কেন্দি হোস্পিতালদা লৈখিদ্রে। মহাক্কী হকচাং ঙসি অয়ুক অঙনবদা কোলাবাদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পুরকখ্রে।

রতন টাটানা লৈখিদবদা মহারাস্ত্রা সরকারনা ঙসি পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং লোয়না তোকখ্রে। মহারাস্ত্রগী মুখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধেনা হায়-শক াইরবা ইন্দসত্রেলিষ্ট-রতন টাটাগী অরোইবা মথৌ মঙম রাজ্য থাক্কী ইকায় খুম বগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি। মহাক্কী হকচাং ঙসি অয়ুক পুং ১০ দগী পুং মরি ফাওবা এন.সি.পি.এদা থমগনি।

মহাকা লৈখিদবদা লুচিংবা কয়ানা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। ইং কুমজা ১৯৩৭ গী দিসেম্বর ২৮ দা মুম্বাইদা পোকখিবা রতন টাটা দোরাবজি টাটা ত্রষ্ট অমসুং রতন টাটা ত্রষ্টকী চেয়ারমেননি। মহাক টাটা সন্সকী চেয়ারমেনসু ওইরম্মী। মহাক ইং ২০০৮ দা লৈবাক অসিগী অনিশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্ড-পদ্ম বিভুষন পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**অসাম ঃ** অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব **শর্ম্মনা** হায়রি-হৌখিবা থা অনি অসিদা

নারোলদা চংশিল্লকখিবা বঙ্গলাদেস মচা ১২৮ অসাম পুলিসনা মরমদমদা হলহনখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা হায়-ঙরাং অয়ুক অঙনবদা পুলিসনা অসামদা চংশিল্লকপা বঙ্গলাদেস মচা অনি ফাখি। মহাক া হায়-অসাম পুলিসনা ভারত-বঙ্গলাদেস ঙমখৈ পরিংদা ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলে।

**গেমস ঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস মথং চহি হৌরকপদা উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্লগনি। গেমস অসি জানুৱারী ২৮ দগী ফেব্রুৱারী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী জেনরেল মীফমদা নেসনেল গেমস অসিগী মপুং ওইবা থৌরমশিং লাউথোক্কনি। নেসনেল গেমসকী মথক্তা উত্তরাখন্দনা ৱিন্টর নেসনেল গেমসকী য়ুম্বুসু ওইগনি।

ন্যু দিল্লিদা হন্দক পাঙথোকখিবা মীফম অমদা উত্তরাখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-পুস্কার সিংহ ধামীনা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-পি.টি. উশাগা উন্নখিবনি। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস পাঙথোক বা উত্তরাখন্দনা শেম শাদুনা লৈরে হায়বা ৱাফম থমখি। গেমস মনুংদা লৈবাক অসিদগী লাক্কদৌরিবা শান্নরোইশিং অমসুং গেমস অসিবু য়েংবা লাকপা মীপুম খুদিংমক্তা খুদোংচাবা কয়ামরুম পীগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

**ক্রিকেটঃ** দুবাইদা চথুরিবা আই.সি.সি. ৱিমেন্স টি-টোইন্তি ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা ঙরাং ভারতনা শ্রীলঙ্কাবু রন-৮২ দা থোইখি।

হান্না বেটিং তৌখিবা ভারতনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট অহুম তুরগা রন-১৭২ লৌখি। শ্রীলঙ্কানা ওভর ১৯ বোল ৫ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন-৯০

খক লৌখি। ভারতকী মথংগী মেটচ নোংমাইজিং নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সাউথ আফ্রিকানা স্কোটলেন্দবু রন-৮০ দা থোইখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা ফোংনরিবা মরুওইবা পাউশিং-এন.পি.পি. মনুংগী মুকবা হেনগৎলক্লব্রা, লায়েংদুনা লৈবা অনি য়াওনা এম.এল.এ. তরেৎমক মীফম য়াওখিদ্রে হাবা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক, সনা লৈবাক, নহারোলগা থৌদাং, হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। এন.পি.পিগী পাউ অসি পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

খুৎলায় পায়বশিংনা নুমিদাং অথেংবদা ক্রাইম চত্থবা থিংনবা পুলিস ফোর্সশিং অহিং চুপ্পা দ্যুতি তৌবা হৌখ্রে হায়বসিনা মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন ওহরি। সি.এমনা তমেংলোং ভালোক, তৌসেম সব দিভিজনগী সি.এস.ওশিংগা উন্নখ্রে, শিংনরকপা খুদিংমক থেংনমীন্ননবা আপিল তৌরি হায়বসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কলচর য়ুনিভরসিতিগী ওজাশিং খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বসিনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। জেনরেল অতেমনা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী ৱারী শান্নবগী লুচিংগনি হায়বসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুনফুন ভিলেজ ওথোরিতিনা ওক্তোবর অনিগী ৱাথোক সরকারনা মরাল শিরক্লি হায়বসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইং ২০২৮ ফাওবা কান্নবা মচল হাপ্পবা চেং লেমা পীবগী থবক শাংদোকপদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হেক পোকচবা পীক্লিবা মচানুপীদা কারন তৌরুবা জেল য়ৌখ্রে হায়বসিনা

সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোরেদা লৈবা কুকি খুলশিংদা মীতোপ চংবদা অথিংবা থমখ্রে হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ই.ভি.এম. মেছিনশিং সিল্ড তৌনবা কংগ্রেস লুচিংবশিংগী দাবী হায়বসিনা মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ম্যান্মার জনতাগী মথক্তা চখৎরিবা লাল চাইনানা লোয়শিলহনবা পান্বগী মতাংদা লিক ওইরকখিবা দোকুমেন্টকী পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মমাংগী এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইখিবা খরা কংগ্রেসতা ঙসি য়াওগদৌরি হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা দেঙ্গীগী কেস লিশিং ১,২০০ শুরে, অহুম শিরে হায়বসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। চয়োল তরুক্কী মনুংদা লোক্তাক পাৎকী ফুমদি হেক্তর ৫০ শেংদোকখ্রে হায়বসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-দিনগাংলুং গাংমৈনা ১২ শুবা গোসপেল য়ূথ সোক্কর ২০২৪ হৌদোকখিবগী পাউ গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।